ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



মণিপুরগী লান লোইশিল্লু, খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ারোই অমসুং অহেনবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং থম্বা য়ারোই হায়দুনা হৌরকখিবী খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলগী পোৎফম ফম্বীশিংবু পুলিসনা থৎনবা হোৎনরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা মূক্লখিবা

লৌশিং পূক্কে : নীংথিনা চাংয়েং তৌদ্রিবা ঈ কৈদৌনুংদা... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ মীতৈশিংসি মপুক ফৈকো!
খূৎকন পাঙ্গল্লবা খুমনবু মায়থীবা পীবা ঙমখিবা লানগী ... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ 'মীমান্নদ্রবশিংদা শোয়নাইবা হায়রবদি ফারগা...
কেন্দিদেট চাদা ৪৮ নীট রি-এগজাম থাবা লাকখিদ্রে ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ হঙ্গেরিনা স্কোটলেন্দ থোইখ্রে, স্বিটজরলেন্দ অমসুং ...

পঞ্জাব এন্দ সিন্দ বেঙ্ককী চহী ১১৭ শুরকপা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা বেঙ্ক অসিগী থৌবাল ব্রাঞ্চকী মেনেজর মৈত্রম মনোলতানা লুচিংদুনা ৰাংবলদা লৈবা সিনিয়র সিটিজেন হোমগী ইনমেটশিংদা হ্বিল চেয়রগা লোয়ননা চান-থরুবশিং খুদোল তম্বা



Vol. 48, Issue No. 084 | লৈবাকপোকপা, ইঙাগী ১৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, June 25, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

### লানগী ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়দুনা কৈথেলগী নুপীশিং হৌরকখ্রে

# সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তাল্লিবশিংদা লম পীগে হায়রগনা মোদিগী গুজরাটতা পীয়ু : মেম্মা

**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগী ১৮শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফম হৌখিবগা ইরোয়ননা হন্দক্কী মীফম অসিদা মণিপুরগী লানগী ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়বা দিমান্দগা লোয়ননা কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপ্পা লেপহনগদবনি অমসুং মখোয়না তাল্লিবা লম অদু মণিপুরদগী মচেৎ অমত্তা ফাওবা পীবা য়ারোই হায়রদুনা পীগে হায়রগনা নরেন্দ্র মোদিগী মরমদম গুজরাটতগী পীয়ু নৎত্রগনা অমিট শাহগী লমদগী পীয়ু হায়না খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী পোৎফম ফম্বীশিং হৌরকখ্রে।



পোৎফম ফম্বীশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা ঙসি খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল জোইন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ফোর পিছনা শীন্দুনা পোৎফম ফল্লিবীশিংনা শরুক য়ারদুনা খোল্লাওশিং অসি লাউদুনা রেল্লি চৎপা হৌরকখিবনি।

য়াল্লবা কৈথেল নুপীশিংগী রেল্লি অদুনা বি টি রোদকী নোংপোক থংবা পরিংদা লাক্লগা কোংগ্রেস ভবনগী মপা য়ৌরকপদা পুলিসনা থৎতুনা কাংজৈবুং রোমদা হলহন্নবা কন্না হোৎনখি। অদুবু খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াখিবীশিংনা ঙমদুনা কাংজৈবুং মমাঙদা লৈরিবা লম্বীদা চঙশিনখিদুনা এম সেক্টর রোমদা য়ৌশিল্লকখিবদা পুলিসকা অমুক্কা হন্না অকনবা মওংদা মুক্লখি।

অদুম ওইনমক মশীং য়াম্লবা পুলিস পর্সনেলশিংনা নমদুনা মফম অদুদা থৎলগা খোঙচৎলোইশিংবু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল তম্না অমুক হলহল্লকখি। অদুম ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

# লৈঙাক্লা চলাইবা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি ৱাথোক্লা পীক থনবদগী মহৈরোয়শিংগী মশীং চাদা ৫০ হন্থখ্রে

### মহৈকোল অসিগী থবক লৌবদা ফম্নাইবশিংগী মী য়াওই-য়াওদে হায়দুনা চয়েৎনবা থোক্লব্রা হংনরক্লে

হুইয়েন ব্যুরো




**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী অৱাংবা থাক্কী মহৈকোল অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা লীংখৎখিবা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি (দি এম য়ু) গী কন্সটিট্যুএন্ট কোলেজ শিং ওইনা খোপচিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা মশেক-মঙাল লংনা লৈজরম্বা কোলেজ খরবু মহৈকোল অসিগী মখাদা পুশিল্লকখিবদগী হেন্না অরংবা মহৈশঙশিং ওইরকপগী মহুত্তা লীংখৎপা কুইদ্রিবা মহৈকোল অসিদা তোঙান তোঙানবা ৱাথোক কয়ানা পীক থল্লকপদগী কন্সটিট্যুএন্ট কোলেজশিংদা মহৈ তম্বা লাকপা মহৈরোয়শিংগী মশীং মমাঙগী একাদেমিক কেলেন্দরশিংগা য়েংনরুবদা চাদা ৫০ রোমগী চাংদা হন্থরকপগা লোয়ননা দি এম য়ুগী থবক লৌবদা ফম্নাইবা খরনা মখোয়গী মী য়াওই-য়াওদে হায়বগী ৱাফম ফোঙনা হায়দ্রবসু মনুংদা লৌ তৌনবদগী চয়েৎনবা থোক্লব্রা হায়বগী ৱাফমসু মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা এদ্যুকেসনিষ্ট অমদি ইন্টলেকচুএল সর্কলদগী হংনরক্লে।

দি এম য়ুগী মথৌ তাবা টিচিং অমসুং নন টিচিং ষ্টাফশিংবু রেগ্যুলর পোষ্টশিংদা লৌনবগী প্রোসেস লোইশিনখিবা কুইরক্লবসু নন টিচিং ষ্টাফশিংগী রিক্রুটমেন্টকী রিজল্ট হৌজিক ফাওবা হায়দোক্তনা নমশিন্দুনা থম্লকপগা লোয়ননা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর লৌনবগী পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস অদুসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীরকপা ওর্দর মতুংইন্না মদুগী রিজল্ট লাউথোকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা খল্লবা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরগদবশিংদা পীফম থোকপা ওফর ফোর্ম পীদনা নমশিন্দুনা লৈরল্লে।

ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিদগী হংনরক্লিবা ৱাহংদি দি এম য়ুগী তোঙান তোঙানবা পোষ্টশিংগীদমক থবক লৌবদা ফম্নাইবা খরনা মখোয়গী মী য়াওই-য়াওদে হায়বগী ৱাফম ফোংনা কাঙথোরক্ত্রবসু য়ানীংদবদগী খুনু মখোঙ শম্লৌবা ওইনা থোকহল্লক্তুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# পার্লিয়ামেন্টতা মণিপুর : কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা মণিপুরগী এম পি অনীদা ৱা ঙাঙনবগী মতম চপ চানা পীগনি হায়রক্লে

### ঙসি অয়ূক পুং ১১দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপা ফাওবগী মনুংদা ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজম অমসুং অলফ্রেন্দ কানঙম এস অর্থরবু এম পি ওইনা ৱাশক লৌরগনি

**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :**

ঙসিদগী হৌখিবা ১৮শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফমদা নৌনা কারক্লবশিংবু পার্লিয়ামেন টকী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌবা হৌখিবগা লোয়ননা থবক অসি হয়েং ফাওবা চত্থগদবা ওইরবসু থা অসিগী ২৭তা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা রাজ্য সভা অমসুং লোক সভাগী অপূনবা মীফমদা পীগদবা মহাক্কী এদ্রেসকী 'মোসন ওফ থেঙ্কস' খন্নরকপদা আই এন দি আই এ ব্লোক, মণিপুরগী কম্মন কেন্দিদেট ওইনা মায় পাকখ্রবা এম পি অনীদা মণিপুরগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা মথৌ তাবা ৱাফমশিং পুখৎপা ঙমহন্নবগীদমক মতিক চাবা মতম পীরগনি হায়না কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা ফোঙদোরকখ্রে হায়রি।

ঙসি নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা পাউচে অসিনা দেল্লীদগী ফংবা পাউনা হায়বদা এম পি সী সীগী মায়কৈদগী ঙরাং সী এল পিগী দেপ্যুটি লিদর কে রঞ্জিৎ অমসুং পার্টিগী চীফ হ্বিপ




টি ঐচ লোকেশ্বরনা ইহান হান্না দেল্লীদা থুংখ্রবা মতুং ঙসি সী এল পিগী লিদর ও ইবোবী, পার্টি প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র, সী দব্লিয়ু সী মেম্বর গাইখাঙম ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# জিরিবামগী লানফম : কুকি টেররিষ্টশিংনা ছোটোবেক্রা থোংদা তোঙান তোঙানবা ৱারোলশিং ইবা বেন্নরশিং থেৎলম্লে

### অসামগী জিরিঘাটতা ষ্টেট অনীগী ওফিসলশিংনা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিল্লক্লবা মীফম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ৬কী নুংথিলদা জিরিবাম সোরোক অতিংবী খুনৌদগী সোইবম সরতকুমার কৌবা মীচম অমা কুকি টেররিষ্টশিংনা থাঙনা য়ান্দুনা তমথীবা মওংদা হাৎলম্লবা মতুংদগী জিরিবাম থোংদা কুকি টেররিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা ৱারোলশিং ইবা বেন্নরশিং থেৎলম্লে হায়রি।

বেন্নরশিং অদু ঙসি লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংনা থেংনরকখিবনি। বেন্নরশিং অদুদা ইরিবা ৱাহৈশিংনা 'মার-মিজো-




দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদা লৈবা মীতৈশিংগী য়ুমশিং মৈ থাদোকপা য়াওনা কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম অমদি নোংমৈ শীজিন্নদুনা লান চত্থরকপদগী দিষ্ট্রিক্ট




অসিদা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলক্লিঙৈগী চৈরক্তা জিরিবামগী জে টি রোদ হায়রগা খঙনরিবা লম্বী পরিংদা শাবা ছোটোবেক্রা




কুকি-জৌমি ইন্দিজিনস ত্রাইবেলস হেভ দি রাইট ওফ সেল্ফ দিটরমিনেসন টু প্রোটেক্ট দিয়র লেন্দ এন্দ নেচরেল ...মখা লমায় ৩ কলম ২




গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# শুনুসিফাই ১সুং ত্রোংলাওবীদা খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ারোই হায়দুনা মৈরাগী রেল্লি চৎখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :** নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং য়াওরগসু তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদনা হেন্না সেন্ত্রেল ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌননবা থৌরাং তৌরকপদগী মফম কয়াদা মসিগী মায়োক্তা মীয়াম মরু ওইনা নুপীশিংনা প্রোটেষ্ট তৌরকপগা লোয়ননা খুল ঙাকপশিংবুসু ফা-পূনবগী থবক চত্থনবা থৌরাং তৌরকপগী মায়োক্তা ঙসি নুমিদাং ত্রোংলাওবীগী ৱিমেন সেল্ফ দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (দব্লিয়ু এস দি এ) না শীন্দুনা য়াল্লবা নুপীশিংগী মৈরাগী খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াখিবীশিংনা মণিপুরদা অহেনবা সেন্ত্রেল ফোর্স থম্বা য়ারোই অমসুং খুল ঙাকপশিং ফাবা পূনবা য়ারোই হায়না ইবা বেন্নরশিং পায়খিবগা লোয়ননা খোল্লাও ওইনসু লাউখি। নুমিদাং পুং ৭তগী হৌখিবা খোঙচৎ অদু পুং ৯ ফাওবা চত্থখি।

অমরোমদা, খোঙচৎ অসিমক শুনুসিফাইদসু মফম অসিগী মৈরা পায়বীশিংনা চৎখি হায়রি।

# সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন পীবা য়ারোই হায়দুনা কোদোম্পোকপীদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে




**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক পুং ১০ তারকপদগী হৌরদুনা কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকায়গী ময়ায় কম্যুনিতি হোলদা লৈকায় অসিদা লৈবা কোদোম্পোকপী য়াইফ ঈহৌ ৱিমেন এসোসিএসননা শীন্দুনা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন পীবা য়ারোই অমসুং লোগী ৱাংমদা চঙলকপা কুকি মীতোপশিং মরমদা হলহনখিগদবনি হায়বা দিমান্দশিং তাল্লদুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

লৈকায় অসিগী য়াল্লবা মৈরা পায়বীশিংনা শরুক য়াদুনা চঙশিনখিবা খোঙজং অসিনা লাঞ্জেন্নরিবা ঈরৈচাশিং মশাগী ময়ূম-ময়ূমদা হঞ্জিলহল্লু, য়েলহৌমীশিংগী হক ফংহল্লু, খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ারোই, মখোয়গী মথক্তা কেস লৌখৎপা য়ারোই, মণিপুর থুগায়বা য়ারোই, ইমা লৈবাক্কীদমক ঐখোয় পূন্না লেপ্লি হায়বগা লোয়ননা মণিপুরগী লৈমায়দা সেন্ত্রেল ফোর্স থম্নবা থৌরাং তৌরকপা য়ারোই হায়বনচিংবা দিমান্দশিং তকশিনখি। লোয়ননা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা লান অসি লোইশিলহন্নবা পুকচেল শেংনা ৱারেপ লৌবীদুনা থবক্তা ওন্থোক্তুনা উৎপীয়ু হায়খি।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবীশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি পূন্না খোল্লাও ওইনসু লাউমিন্নখি।

# কষ্টমসনা হিরোইন অমসুং গঞ্জা য়াওনা দ্রগ কেজি ৩০১৬.৯৩ মৈ থাখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী শরুক অমা ওইনা নশা মুক্ত ভারতকী পান্দমদা শিলোংদা লৈবা কম্মিস্নর ওফ কষ্টমস (প্রিভেন্টিভ) না পীরকপা দিরেক্সনগী মতুংইন্না কষ্টমস (প্রিভেন্টিভ) দিভিজন, ইম্ফালনা ঙসি নাচৌ পন্থোংগী ব্রিক ফিল্ড অমদা হিরোইন কেজি হেনবগা লোয়ননা গঞ্জা অমসুং এমফেটামাইন/মেথামফেটামাইন য়াওনা পূন্না ময়াই কাবা চীঞ্জাক কেজি ৩০১৬.৯৩ মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

থবক অসি কষ্টমসনা শেম্বা হায় লেভেল কম্মিটিগী চেয়রমেন অমসুং মেম্বরশিং অমদি নাচৌ এদ্যুকেসনেল সোসল এন্দ দিভেলপমেন্ট য়ুথ এঠলেটিক ক্লব, নাচৌ মমাঙ লৈকায়গী থৌপুবশিংগী মমাঙদা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

# নোংমৈ কাপশিন্দুনা ইশাগী য়ূম-কৈ মৈ থাদোক্তুনা তাঙ্গোই ওলহল্লগা তাম্থোরকখিবা নুমিৎ অদু নীংশিংলুবদা তু চুংই : থবাতোন

### হকথেংনবা পাউদম

*তোর্বুং শাবল লৈকায়দগী খুঞ্জা*

**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ চহীগী মে ৩দগী থোরক্লগা হৌজিক ফাওবা লোইশিন্দ্রিবা মণিপুরগী অথীরবা লান অসিগী মৈশা লাংনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবী তোর্বুং শাবল লৈকায়দগী সন্ধাম থবাতোননা পাউচে অসিদা হায়, লান হৌরকপা নুমিৎতুদা কুকি ময়াম রেল্লি চৎকনি হায়বা তাবদগী লৌবুক লম্মাং য়াওনা লম্বী কয়াদা কুকি নুপা-নুপীশিং কাঙলূপ-কাঙলূপ চুড়াচান্দপুরগী পব্লিক গ্রাউন্দ তম্না চৎনখিবনি। ফীভম অদু উরবসু পূক্নিং ৱাখলদা থোইদোক্ত া অকিবা অমসুং মীপাইবা পোকখিদে।



অদুগা রেল্লি লোইরবা মতুংদা মখোয়না ঐখোয়দা ওনশিন্দুনা ঐখোয়গী য়ূম-কৈ তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদা নত্তনা মৈ থাদোক্তুনা তাম্থোরক্কনি হায়বসু মঙদা ফাওবা মঙখিদে। অদুবু রেল্লি চৎখিবা নুমিৎ অদুগী নুংথিল পুং ৩.৩০ খা হেল্লকপদা ঐখোয়না লৈরিবা তোর্বুং শাবল লৈকায় অদুমক্তদা চুড়াচান্দপুর রোমদগী ফিমু শেৎপা মখূৎতা খূৎশু-খূৎলায় মতিক চানা পায়বা কুকি নুপা-নুপী ময়াম থোমজিল্লকখি। মখোয়গী মশীং হায়ফেৎ য়ামখি। লিশীং ২/৩ রোম শুরমগদবা মাল্লি। অদুবু ঐখোয়দি মখোয়গী রেল্লি অদু অশোমদসু লাক্লিবা মাল্লে খল্লগা থৌ-ৱা ইশা শাখিদে। ঐখোয়গী তোর্বুং বাংলা অসি য়ূম্লাক ৩৬/৩৭ লোম লৈবনি। অদুগীসু মথক্তা কুকিগী খুলগসু নক্ন্না লৈমিন্নরকখিবনি।

চুড়াচান্দপুর রোমদগী য়াল্লবা কুকিশিং থোমজিল্লকপদগী ঐখোয়গা নক্না লৈমিন্নরকখিবা কুকি খরদি নম্বো-থাবো পুদুনা মচা-মশু অমসুং নুপী-অঙাং পুরগা লৌবুক ফাওরগা মনীং লোমদা চেনবা হৌনরকখি। মখোয়না চেল্লিবদুগী মরম খুদক্তা খঙখিদে। অদুবু কাংভাই রোমদা মৈ থাবা হৌরক্লে হায়রকপগী পাউ তাবগা ইকান কান্নদনা তোর্বুং য়ৌশিল্লক্তুনা মফম অদুগী মীতৈগী য়ূমশিংসু মথং-মথং মৈ থাবা হৌরকখি। মখোয়না মৈ থাগৎলকপদুদা য়ূম খক্তা নত্তনা বামোনগী মান্দব ফাওবা খাক্তনা মৈ থারকখি। ফৎত্রবা থৌওংশিং অসি চত্থরকখিবা কুকিশিং অদুনা চীফ মিনিষ্টরগী মমিং পন্দুনা চৈরগা থোরকউ লাউ হায়বনচিংবা লাউ-খোংবা তৌরকখি। (মথং-মথং)

### কেরলা এসেমব্লিনা ষ্টেট অসিগী মমিং 'কেরলম' ওন্থোক্লবা রিজোল্যুসন পাস তৌখ্রে

**ত্রিবান্দম, জুন ২৪ (এজেন্সী) :** কেরলা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফম্না অদুঙৈ কুমজা ১৯৫৬কী নবেম্বর ১দগী হৌরদুনা 'কেরলা' হায়না খঙনরকখিবা ষ্টেট অসিগী মমিংবু ষ্টেট অসিগী মশীং য়াম্বা মীয়াম্না শীজিন্নরিবা লোল 'মলয়ালম'গী মতুংইন্না 'কেরলম' হায়না ওন্থোক্লবা রিজোল্যুসন অমা পাস তৌখ্রে।



রিজোল্যুসন অসি কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজায়ননা ঙসি কেরলা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা মুভ তৌরকখিবনি। হাউসকী লিদরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরনা মুভ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

**য়েলহৌমী মীতৈ ফূরুপ লৈরিবমখৈ মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হল্লোই হায়রিঙৈদা ঙসি (২৪,জুন ২০২৪) চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী অমসুং তেংনৌপলদা কুকি-জৌশিংনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ তৌরদুনা রেল্লি চৎখ্রে**

### মফম ২দা গ্রেনেদ ১/১ থল্লম্লে

**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক পুং ৫ রোম তারকপদা পাৎশোই পি এসকী মনুং চনবা অৱাং খুনৌগী মফম অমদা লৈবা এফ/এস আর কে ইনফ্রা কোর্পোরেসন প্রাইভেট লিমিটেদকী গেট ময়াদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লৈরম্লে হায়রি।

বোম অসি লাষ্ট ৱার্নিং হায়না থাবা চে অমনা য়োমশিল্লগা থল্লম্বনি হায়রি। থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী পুলিসনা বোম এক্সপার্টকা লোয়ননা লাক্তুনা লৌখৎখ্রে। অদুবু বোম অসি করম্বা মীওইশিংনা করিগীদমক থল্লম্বনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৮

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫